

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, FRIDAY, APRIL 28, 2017 **PAGE 7**

*স্পেনগী লা লীগাগী ফুটবোল মেটচ অমদা ওসাসুনাবু পাঞ্জল ৭–১ দা মায়থিবা পীবদা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখিবা বার্সেলোনাগী লিওনেল মেসি*

*ফ্লোরিদা চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্টতা আয়রলেন্দগী জেমস মেগিবু মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী টেন্নিস শান্নরোই রামকুমার রামানাথন*

## এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে, নুপাগীদা ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারাম প্রি–ক্বার্টরদা লৈহৌরে



*এসিয়ান ওপনদা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধু*

*বুহান, এপ্রিল ২৭ঃ*

চাইনাগী সহর বুহানদা ঙসিদগী হৌখিবা এসিয়া চেম্পিয়ন্সিপ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপীগী শান্নরোই পি ভি সিন্ধু টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। অমরোমদা ইনিদয়াগী নুপাগী শান্নরোই অজয় জয়ারাম প্রি–ক্বার্টরদা লৈহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা নুপীগী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা জপানগী অয়া ওহোরিগা লম্বা তৌনখিবদা ইনিদয়াগী পি ভি সিন্ধুনা ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদুদা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা জপানগী শান্নরোই অয়া ওহোরিবু ইৰা ৰাদনা ২১–১৪ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবা ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা অনীশুবা গেম অদুদসু মহাক্কী ফজবা মশান্না হনখিদবদগী গেম অদুদা জপানগী অয়া ওহোরিবু ২১–১৫ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী পি ভি সিন্ধুনা মহাক্কী ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা শান্নরোই অদু থাইলেন্দগী পোর্নপাৰি চোসুৱোংবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৩, ২১–১৬ তা মায়থিবা পীরম্বা টুর্নামেন্ট অসিদা ৮ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইখিবী চাইনাগী হি বিংজিয়াওনি।

অমরোমদা টুর্নামেন্ট অসিদা নুপাগী সিঙ্গলসকী মায়কৈদা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারাম প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই সু জেন হাওগী মখুত্তা ষ্ট্রেট গেম অনীদা মায়থিহৌখি।

মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদুদা শান্নরোই অনীনা য়াম্না অকনবা লম্বা মায়োক্নখি। শান্নরোই অনীমক পোইন্ট ১৯–১৯ লৈনরম্বদগী থংনবা পোইন্ট অনী চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই সু জেন হাওনা লৌখিদুনা ২১–১৯ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা মাঙজিল থারবা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই সু জেন হাওনা অনীশুবা গেম অদুদা য়াম্না ফজবা মশান্না উত্তুনা শান্নরকপদগী ইন্দিয়াগী অজয় জয়ারামবু ২১–১০ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই টাই ঝু য়িং অমসুং চাইনাগী চেন য়ুফৈগা লম্বা তৌনরগনি।

টাই ঝু য়িংনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা ভিয়েটনামগী শান্নরোই থি ত্রাংবু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১০, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরম্বনি। অমরোমদা মহাক্কী লম্বা ওইগদৌরিবা চাইনাগী চেন য়ুফৈনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জপানগী সায়াকা সাটোবু য়াম্না অকনবা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অমদা ১৯–২১, ২১–১০, ২২–২০ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা থাইলেন্দগী রটচানোক ইন্টানোন অমসুং জপানগী অকানে য়ামাগুচিগা লম্বা তৌনরগনি। রটচানোকনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা মালেসিয়াগী সোনিয়া চিহবু ২১–১৮, ২১–৭ দা থোইরম্বনি। অদুগা অমরোমদা জপানগী অকানে য়ামাগুচিনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা চাইনিজ তাইপৈগী সু য়া চিংবু ২১–১৬, ২২–২০ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী অতোপ্পা ক্বার্টর ফাইনেলগী মেটচ অমদা থাইলেন্দগী নিটচাও জিন্দাপোল অমসুং সাউথ কোরিয়াগী চাং মি লিগা লম্বা তৌনরগনি। থাইলেন্দগী নিটচাও জিন্দাপোলনা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী টুর্নামেন্ট অসিদা ৩ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী সুং জি হ্যুনবু ২১–১৬, ২১–১৮ দা থোইরম্বনি।

অমরোমদা মহাক্কা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা জান মি লিনা চাইনাগী শান্নরোই টুর্নামেন্ট অসিদা ৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী সুন য়ুবু ২১–১৬, ১১–২১, ২১–১৯ দা থোইরম্বনি।

## আইপিএলগী ৩১ শুবা লীগ মেটচতা গুজরাট লাইওন্সনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে



*গুজরাট লাইওন্সকী মায়কৈদগী রন ৩৪ লৌবা ঙমখিবা সুরেস রাইনা*

*বেঙ্গালুরু, এপ্রিল ২৭ঃ*

ইন্দিয়াদা চত্থরিবা ক্রিকেট মশান্নগী খ্বাইদগী চাউবা লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লীগ সিজন টেনগী গুজরাট লাইওন্স অমসুং রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা ঙসি শান্নখিবা ৩১ শুবা মেটচ অমদা গুজরাট লাইওন্সনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে।

মেটচ অদুগী টোস গুজরাট লাইওন্সনা ঙমদুনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু বেট্টিং হান্না তৌহনখি। মদুদা মখোয়না ওভর ২০ শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ১০ মক তুরগা রন ১৩৪ খক লৌবা ঙমখি।

মখোয়গী ইন্নিংস অদুদা ওপনর ওইনা থোরকখিবা খৃষ্ট গাইল অমসুং কেপ্টেন ওইরিবা ভিরাট কোলি রন মপুং ফানা লৌবা ঙমখিদে। কেপ্টেন ওইখিবা ভিরাট কোলি শুপ্নগী রন ১১ খক লৌদুনা লৈরিঙৈদা গুজরাট লাইওন্সকী বোলর বাসিল থম্পীনা আওট তাহন্দুনা অহানবা ৱিকেট তুখি।

ভিরাট কোলিগা ওপনর ওইনা থোকমিন্নরকখিবা গাইল শুপ্নগী রন ৮ খক লৌদুনা লৈরিঙৈদা গুজরাট লাইওন্সকী এন্দ্রিয়ু টাইনা আওট তাহন্দুনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী অনীশুবা ৱিকেট শুপ্নগী রন ২২ দা তুখি।

রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী ইন্নিংস অদুদা কেদর যাদবনা লৌরম্বা রন ৩১, পৱন নেগিনা লৌরম্বা রন ৩২ অমসুং অনিকেট চৌধুরিনা লৌরম্বা রন ১৫ অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটসমেনশিংদি রন ১০ য়ৌবা অমত্তা য়াওখিদে।

রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ লোইশিনখিবদা শুপ্নগী রন ১৩৪ দা লোইশিনখি। গুজরাট লাইওন্সকী মায়কৈদগী এন্দ্রিয়ু টাইনা ওভর ৪ লংনবদা শুপ্নগী রন ১২ খক পীরগা ৱিকেট ৩ লৌখি।

গুজরাট লাইওন্সনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা থম্লম্বা টার্গেট রন ১৩৫ অদু লৌননবা হোৎনরকপদা ইসান কিষন অমসুং ব্রেন্দন মেককুলম ওপনর ওইনা শান্নবা থোরকখি। ইসান বোল ১১ দা রন ১৬ লৌদুনা লৈরিঙৈদা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরগী বোলর সামুয়েল বদ্রিনা আওট তাহন্দুনা গুজরাট লাইওন্সকী অহানবা ৱিকেট রন ১৯ দা তুখি।

মহাক্কী মহুৎ শিল্লকখিবা সুরেস রাইনানা গুজরাট লাইওন্সকী মায়কৈদগী য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উত্তুনা শান্নরকখি। ব্রেন্দন মেকলমসু শুপ্নগী রন ৩ খক লৌরমখি।

সুরেস রাইনানা নৌনা বেট্টিং তৌবা থোরকখিবা আরোন ফিন্সকা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা শান্নরকখি। আরোন ফিন্স বোল ৩৪ দা রন ৭২ লৌরমখি। অদুগা সুরেস রাইনানা বোল ৩০ দা রন ৩৪ লৌদুনা রোয়েল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীখি।

## স্পেনগী লা লীগা ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচশিংদা রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং বার্সেলোনা য়াম্না চাউনা মায় পাকখ্রে

*মাদ্রিদ, এপ্রিল ২৭ঃ*

স্পেনগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা লা লীগগী মেটচশিংদা রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং বার্সেলোনা য়াম্না চাউনা মায় পাকখ্রে।

পনবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং বার্সেলোনাগী টিম পোইন্ট ৭৮। ৭৮ ফংনদুনা চপ মান্নখ্রবসু গোল দিফরেন্সতা বার্সেলোনানা হেন্দুনা টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

ঙরাং অথেংবদা রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং দির্পোটিভো লা কোরুনানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা খুদুম চন্দুনা শান্নরকখি। শান্নবগী অহৌবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদনা খোঙলৈ থুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা টিম অদুগী শান্নরোই অলভারো মোরাটানা চন্দুনা ঙন্না দির্পোটিভো লা কুরুনাবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থারবা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা দির্পোটিভো লা কোরুনাগী মায়কৈদা এটেক তৌবা লেপখিদে। শান্নবগী ১৪ শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা জেমস রোদ্রিগেজনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অনী শোত্থরবা দির্পোটিভো লা কোরুনাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদা বোল পুশিনবা হৌরকখি। শান্নবগী ৩৫ শুবা মিনটতা টিম অদুনা চত্থরকখিবা য়াম্না ফজবা এটেক অমদা টিম অদুদা শরুক য়ারিবা ফ্লোরিয়ান এনদোননা পাঞ্জল অমা হন্দোকপা হৌখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট অমতং ঙাইরবা মতমদা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোই লুকাস ভাসক্বেজনা পাঞ্জল অমগা অমুক চনশিন্দুনা রিয়েল মাদ্রিদনা দির্পোটিভো লা কোরুনাবু ৩–১ দা মাঙজিল থারবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদসু রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা খুদুম চনবা ঙমখি। শান্নবগী ৬৬ শুবা মিনটতা টিম অদুনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা জেমস রোদ্রিগেজনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনশিন্দুনা ৪–১ দা মাঙজিল থাখি।

পাঞ্জল অনী হেন্দুনা লৈরিবা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৭৭ শুবা মিনটতা য়াম্না ফজবা এটেক অমা চত্থরক্তুনা টিম অদুগী শান্নরোই ইস্কোনা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা দির্পোটিভো লা কোরুনাবু ৫–১ দা য়াম্না হেনবা মওংদা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল ৩ শোত্থরবা দির্পোটিভো লা কোরুনাগী শান্নরোইশিংনা রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদা বোল পুশিনবা অমুক হৌরকখি। শান্নবগী ৮৪ শুবা মিনটতা টিম অদুগী জোসেলুনা পাঞ্জল অমা অমুক হন্দোকপা ঙমদুনা পাঞ্জল ২–৫ দা শোত্থদুনা লৈখি।

মখা তানা টিম অনীনা শান্নরকপদা শান্নবগী ৮৭ শুবা মিনটতা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা তৌরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই কেসিমিরোনা পাঞ্জল অমা হাপচিল্লবা মতুং মেটচকী অপীবা মতম লোইশিনখিবদগী রিয়েল মাদ্রিদনা দির্পোটিভো লা কোরুনাবু পাঞ্জল ৬–২ দা য়াম্না হেনবা মওং দা মায়থিবা পীবা ঙমখি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা লা লীগাগী ৩৪ শুবা লীগ মেটচ অমদা বার্সেলোনানা ওসাসুনাবু পাঞ্জল ৭–১ দা মায়থিবা পীখি।

বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী শান্নবগী ১২ শুবা মিনটতা টিম অদুগী মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইরিবা লিওনেল মেসিনা চন্দুনা ওসাসুনাবু ১–০ দা মাঙজিল থাখি। টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদুনা শান্নবগী ৩০ শুবা মিনটতা এন্দ্রি গোমেসনা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মেটচকী অহুমশুবা পাঞ্জল অদুসু এন্দ্রি গোমেসনা মহাক্কী অনীশুবা পাঞ্জল ওইনা শান্নবগী ৫৭ শুবা মিনটতা চনখি। মরিশুবা পাঞ্জল অদু লিওনেল মেসিনা শান্নবগী ৬১ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

বার্সেলোনাগী ৫ শুবা অমদি ৭ শুবা পাঞ্জল অদু টিম অদুগী ফ্রান্সিস্কো অলকাসরনা শান্নবগী ৬৪ অমসুং ৮৬ শুবা মিনটতা চনখি। অদুগা বার্সেলোনাগী ৬ শুবা পাঞ্জল অদুনা জেবিয়র মাস্কেরানোনা শান্নবগী ৬৭ শুবা মিনটতা পেনাল্টি অমগী মতেংনা চনখি।

অদুগা ওসাসুনাগী মায়কৈদগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু রোবার্টো টোরেসনা শান্নবগী ৪৮ শুবা মিনটতা চনখি।



*দির্পোটিভো লা কোরুনাগা শান্নখিবা মেটচত রিয়েল মাদ্রিদকী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনখিবা জেমস রোদ্রিগেজ (য়েৎ)*

## রাফেল নদাল, দোমিনিক থিয়েম অমদি ৱাই সুগিতা বার্সেলোনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে

*বার্সেলোনা, এপ্রিল ২৭ঃ*

স্পেনগী সহর বার্সেলোনাদা চত্থরিবা বার্সেলোনা ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা য়ুম্বু লৈবাক স্পেনগী শান্নরোই রাফেল নদাল, ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েম অমসুং জপানগী ৱাই সুগিতা মখোয়–মখোয়গী মেটচ মায় পাক্তুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ৩ শুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা য়ুম্বু লৈবাক স্পেনগী শান্নরোই টুর্নামেন্ট অসিদা ৩ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবা রাফেল নদালনা সাউথ অফ্রিকাগী কে এন্দরসনবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরকখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা স্পেনগী রাফেল নদালনা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা সাউথ অফ্রিকাগী কে এন্দরসনগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোত্থরবা সাউথ অফ্রিকাগী কে এন্দরসননা অনীশুবা সেট অদুদা লম্বা খরা পীখ্রবসু স্পেনগী রাফেল নদালনা মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিদা ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা বৃটেনগী দি ইভান্সপু ৭–৬(৭–৫), ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা জপানগী ৱাই সুগিতানা টুর্নামেন্ট অসিদা ৭ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইনা শরুক য়ারকখিবা স্পেনগী পি কারেনো বুস্তাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট অদুদা জপানগী ৱাই সুগিতানা মহাক্কী লম্বা ওইখিবা কারেনো বুস্তাগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৩ দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদসু চপ মান্নবা স্কোরদা ৬–৩ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

## নেদরলেন্দসকী অনিসনা টাইটল লৌখ্রে ইন্দিয়াগী অভিজিৎ ২ শুবা তাহৌরে



*রেকভিক চেছকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা নেদরলেন্দসকী অনিস গিরি*

*রেকভিক, এপ্রিল ২৬ঃ*

আইসলেন্দগী কোনুং রেকভিক্তা পাঙথোক্লিবা রেকভিক ওপন চেছ টুর্নামেন্টকী অরোইবা অমদি ১০ শুবা রাউন্দদা নেদরলেন্দসকী গ্রান্দ মাষ্টর অনিস গিরিনা পোইন্ট ৮.৫ ফংলগা টাইটল লৌখ্রে। অদুগা মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর অভিজিৎ গুপ্ত পোইন্ট ৮ ফংলগা টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই ৩ গা লোয়ননা অনীশুবা তাখি।

ঙসি অয়ুক শান্নখিবা রেকভিক ওপন চেছ টুর্নামেন্টকী অরোইবা অমদি ১০ শুবা রাউন্দদা নেদরলেন্দসকী টুর্নামেন্ট অসিগীসু নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা অনিস গিরিনা ফ্রান্সকী অরৱিন লামীবু মায়থিবা পীদুনা মমাঙদা ফংলম্বা পোইন্ট ৭.৫ অদুদা পোইন্ট অমা হাপচিল্লগা পুন্না পোইন্ট ৮.৫ ফংলগা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মমাঙ চহীগী চেম্পিয়ন অভিজিৎ গুপ্ত অরোইবা রাউন্দদা মায় পাক্লবসু অতোপ্পা শান্নরোই অনীগা লোয়ননা পোইন্ট ৮ ফংলগা অনীশুবা রেঙ্কতা লৈখি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mutation Case No. 624/SDC/IW(C) 25/4/2017

Loitam Umakanta Singh S/o (L) L. Kanhai Singh
of Sagolband

Petitioner

-Vs-

(Late) Sapam (N) Thabemma Devi D/o Ibomcha Singh
of Sagolband Sapam Leirak

O.P.Party

**NOTICE**

Imphal, the 25/4/2017

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Late Sapam (N) Thabemma Devi পীং Ibomcha Singh সাং Sagolband Sapam Leirak গী মিংদা লৈবা ইঃওঃ তহসিলগী খুল নং 85-Sagolband গী অনৌবা পট্টা নং 3541 অরিবা পট্টা নং 85/1447 দাগ নং 98 অমসুং এরিয়ানা .0440 (হেক্তর) চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসিনা মখোয়গী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নি গী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)

SL/2060(a)/28



**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
IMPHAL WEST (CENTRAL)

Ref. : Mutation Case No. 620/SDC/IW(C) 25/4/2017

Oinam Manglem Singh S/o (L) O. Achou Singh
of Pishum Thong Oinam Leikai

Petitioner

-Vs-

(Late) Oinam Achou Singh S/o (L) Gandhar Singh
of Pishum Thong Oinam Leikai

O.P.Party

**NOTICE**

Imphal, the 25/4/2017

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার Late Oinam Achou Singh পীং (L) Gandhar Singh সাং Pishum Thong Oinam Leikai গী মিংদা লৈবা ইঃওঃ তহসিলগী খুল নং 43-Khagempalli গী অনৌবা পট্টা নং 75 অরিবা পট্টা নং --- দাগ নং 1167 অমসুং এরিয়ানা .0312 (হেক্তর) চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে।অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নি গী মনুংদা অইবা চেনা মথক্কী কোর্ট অসিদা Objection তৌগদবনি, মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই কেস মখা চত্থরগনি।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Imphal West (Central)

SL/2060(b)/28